**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-11-2025)**

**মনিটেক্স(এল)ঃ** নুমিৎ মঙানি চথুরকপা মণিপুর ইন্তরনেসনেল টেক্সতাইল এক্সপো (মনিটেক্স) ২০২৫ ঙসি লোইশিনখ্রে।

রাজ্যগী হেন্দলুমস এন্দ টেক্সতাইলস দাইরেক্তোরেটনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী নিলাকুথিদা লৈবা অরবান হটতা চথুরকখিবা এক্সপো লোয়শিনবা নুমিৎকী নুমিদাংগী থৌরমশিংসু হৌজিক পাঙথোক্লি।

কুমশি চহিগী মণিটেক্স অসি অতেনবা মতমগী মনুংদা শিনবা ওইরবসু চাউনা মায় পাকপা অমনি হায়না শিংথারদুনা হেন্দলুমস এন্দ টেক্সতাইলসকী দাইরেক্তর-এলাংবম জিতেননা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-চহি অনি লেপ্লুরবা মতুংদা পাঙথোকপা মনিপুর ইন্টরনেসনেল টেক্সতাইলস এক্সপো (মণিটেক্স) অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৬ তগী বয়ারশিং লাক্তুনা মনিপুরগী ফিরোলশিং অমসুং খুৎশা হৈবগী পোৎলমশিং চহি অমদা লুপা কোতি ১ লাখ ৯০ গী পোৎলমশিং লৈননবা য়ান্ন-চেরোলসু সহি তৌনখি। লশিং অমসুং মুগাগী লংনা শাবা মপুং ওইনা ওর্গানিক ওইবা পোৎলমশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ফিরোলশিং মীরৈবাক্কী বয়ারশিংনা হেন্না পান্বগী ৱাফমসু ফোংদোক্লমখি।

**বিজেপি(এল)ঃ** বি.জে.পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) বি.এল. সন্তোস অমসুং বি.জে.পি. নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ সম্বিৎ পত্রা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে। মখোয়বু বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-এ. সরদা দেবী অমদি অতৈ ওফিস বিয়ররশিংনা তরামা ওকখি।

তুংদা, ইম্ফালগী নিত্যপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি.জে.পিগী থম্বাল শঙলেনদা

মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা এম.এল.এ. কয়ামরুমনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা দলগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা ৱাফম কয়ামরুম খন্নখি হায়রি।

তুংদা, বন্দে মাতরম চহি ১৫০ শুরকপগী থৌরম পাঙথোকখি।

**সরদার (এল)ঃ** রাজ্য সভা সদস্য-মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি-লৈবাক অসিগী তুংগী মরাইবক লেপবা হোৎনবদা নহারোলশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। নহারোলশিংনা থকশি-খাশি নাইনা পুন্সিগী ৱাহন্থোক খঙনা থবক তৌগদবনি। বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল মাইবম লোৎপা চীংদা লৈবা ইম্ফাল পিছ ম্যুজিয়মদা সরদার এদ ১৫০ পদ্দা যাত্রা-য়ুনিতি মার্চতা মহাকা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

ওর্গনাইজিং কমিতি ওফ সরদার এদ ১৫০ পদ্দা যাত্রা-য়ুনিতি মার্চ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শিনবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবম অমসুং মেরা য়ুবা ভারত মণিপুরগী ষ্টেট দাইরেক্তর এল. মারজিৎকুমার সিংহ শরুক য়াখি। মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাডবনা মফম অদুদা তিল্লিবা মীয়ামদা অত্ম নিরভর ভারতকী ৱাশক লৌখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মহারাজ সনাজাউবনা হায়-ভারতপু অত্মা নিরভর ভারত ওইনবা মাংলোমদা চংশিল্লিবা অসিগুমা অত্মা নিরভর মনিপুর ওইনবা মীয়াম পুন্না হোৎনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

**লিগেল (এল)ঃ** লিগেল ট্রেনিং অমসুং প্রোফেসনেল ইথিক্স হায়বসিগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা সেমিনার ঙসিদগী হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী কমপ্লেক্সতা হৌখ্রে।

হাই কোর্ট বার এসোসিয়েসন ওফ মণিপুর অমসুং মণিপুর জ্‌দিসিয়েল

একাদমিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা সেমিনার হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস- জষ্টিস এম. সুন্দরনা হায়- লিগেল ত্রেনিং অমসুং প্রোফেসনেল ইথিক্স হায়বসি শুপতগী মহৈ মশিং তম্বা খক্কী ৱাফম নত্তে। হায়রিবা লম অনি অসি জষ্টিস দিলিভরি সিষ্টেমগী অচৌবা ঙাকলৌ অমনি। মহাকা হায়- নীংথিজনা ত্রেন তৌদবা অমসুং হৌনা লোনচৎ য়াওদ্রবদি থবক খুদিংমক মায় পাকপা ঙমলোই।

**এক্সিদেন্ট (এল)ঃ** থৌবাল জিলাদা ঙসি থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংদা মীওই অনি শিরে, মরিনা অশোক অপন নংলে।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী-সোইবম বিনোয়না পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-ঙসি অয়ুক পুং ১০ মিনিট ৪৫ অদুৱাইদা থৌবাল জিলাগী খাঙবোক খুলাকপম লৈকাইদা, দিজল ওটো অমগা রোয়েল ইনফিল্ড অমগা থেংজিন্নবদা ওটো দ্রাইভর শিরে অদুগা রোয়েল ইনফিল্ড থৌরক্লিবা মীওই অদুনা শোক্লে হায়রি। লৈখিদ্রবা ওটো দ্রাইভর অদু খাঙবোক অৱাং লৈকাইদগীনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং মিনিট ১২ চৎপদা থৌবাল হোস্পিতাল মমাংদা, হোস্পিতালদগী থোরকপা চাকা অনি পানবা গাড়ি মচা অমগা ৱাংজিংদগী হাইগৎলকপা গাড়ি মচা অমগা থেঙ্গাইনবদা মীওই অমা লৈখিদ্রে। গাড়ি মচাশিং অদু থৌরকপা মীওই অমা য়াওনা পুন্না মীওই অহুম অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু থৌবাল অথোকপম ময়াই লৈকাইদগীনি হায়রি। অশোকপশিং রিমস হোস্পিতালদা লায়কন্নরি। লৈখিদ্রবশিংগী হকচাং জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

**ত্রাইবেল (এল)ঃ** ত্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুট, দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস অমসুং মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগা পুন্না খুৎশমদুনা

শিনবা নেসনেল ট্রাইবেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল কম ষ্টেট লেবেল ট্রাইবেল কারনিভল ঙসি, রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়লনা হৌদোকখ্রে।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টর অমসুং মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা থা অসিগী ১৫ ফাওবা চথ্নগদবা ট্রাইবেল ফ্রেমস মনিপুর হায়না মিংথোনবা ফেষ্টিবেল কম কারনিভল অসি জন জাতিয়া গৌরভ দিবসকা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। থৌরমগা মরী লৈননা চীফ সেক্রেটরিনা মফম অদুদা হাংদোক্লিবা ইগজিবিসন অমা য়েংশিনখি।

শ্রী গোয়লনা নেসনেল ট্রাইবেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল অমসুং ষ্টেট লেবেল ট্রাইবেল কারনিভল হৌদোক্লে হায়না লাউথোকখি। ফেষ্টিবেল অসিগী মনুংদা- রাজ্য ৯ গী ট্রাইবেল ফিলম ২৩ উৎকনি। মসিগী মনুংদা ফিচর ফিলম ৬, সোর্ট ফিলম ১৪, দোক্কুমেন্টরি ২ অমসুং এনিমেসন ফিলম ১ য়াওরি।

তুংদা, কোম, কোইরেং, পুরুম, কবুইগী তোঙান তোঙানবা কালা সংস্কৃত্তিগী থৌরমশিং উৎখি।

**মন্ত্রি (এল)ঃ** কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি-শ্রী অজয় তমতানা সভাপতি ওইদুনা ফেরজোল জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা এম.এল.এ. নুরশাংলুর সনাতে অমসুং দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মননুৱাংশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা মন্ত্রিনা, পন্দুনা লৈরিবা থবকশিং অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা অমসুং ফেরজোলগী মিণি সেক্রেটরিয়েট শাবগী থবক হৌনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

ফেরজোল জিলাদা লৈরিঙৈদা মন্ত্রিনা পার্বুংদা লৈবা সি.ঐচ.সিগী ফিভম য়েংশিনখি। মসিগী মথক্তা জিলা অদুদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং অমসুং মীয়ামগী য়াইফনবা স্কিমশিংগী ফিভম য়েংশিনখি। মন্ত্রিনা হায়-ফেরজোল জিলা শিনবা থুংবদা লম্বীশিং ফাওনহন্নবা লম্বী শেমগৎপগী

থবক্তা সরকারনা অহেনবা মীৎয়েং চংগনি।

নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ঙরাং ইম্ফালদা থুংলখিবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিনা হয়েং কাংপোকপীদা চৎতুনা মফম অদুদা পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং য়েংশিনগনি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমার, এস.পি, পুলিস অমদি সি.আর.পি.এফকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা জাকুরাধোর কারোং, লমদাই খুনৌ অমসুং মোধুপুরদা লৈবা মাঙ-তাক্লবা য়ুমশিং য়েংশিনখ্রে। রিলিফ কেম্পতা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংবু খুন্দা লৈতাহন্নবা মফমশিং অসি য়েংশিনখি। মখোয়না রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং উন্নখি অমদি অঙাংশিংদা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা জিরিবাম-তিপাইমুখ লম্বীগী ফিভমসু য়েংশিনখি।

**রাজ ভাবন (এল)ঃ** মনিপুরি মুস্লিম (পাঙল) দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, অসামগী প্রসিদেন্ট-এম.দি. অব্দুল নুর চৌধুরিনা লুচিংবা মীওই মঙানা শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ ভবন ইম্ফালদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মখোয়না অসাম অমসুং ত্রিপুরাদা লৈবা মনিপুরিশিং মরুওইনা মনিপুরি মুস্লিম-মীতৈ পাঙলশিংনা মনিপুর চংল্লকপা মতমদা ইন্নর লাইন পার্মিট (আই.এল.পি) দরকার ওইরিবা অসিগী মতাংদা মেমোরেন্দম অমা খুৎশিন্নখি।

জাতি কাংলুপ অসিনা মনিপুরগা মৈহৌরোলদগী লৈনরক্লিবা মরী, কালা সংস্কৃত্তিগী মতাংদা ৱাফম কয়া রাজ্যপালদা খঙহনবগা লোয়ননা মখোয়বু লমদম অসিগী মীওইগুমা লৌবিনবা রাজ্যপালদা তকশিনখি। রাজ্যপালনসু হীরম অদুগী মতাংদা য়েংশিনগনি হায়বগী মতাংদা ফোংদোকখি।

**ৱাইল্ড লাইফ (এল)ঃ** ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট-১৯৭২ হেন্না নীংথিজনা চৎনহন্দুনা শা তানবা অমসুং লমলক্কী শা উচেকশিং আইন কায়না লল্লোনবা য়ারোই হায়রি।

সার্কল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-লমকোই উচেকশিং পাইরকপা মতম অসিদা মখোয়বু হাৎতনবা অমদি লমলক্কী শা-উচেকশিংবু নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা থমনবগী পান দমদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। ৱাফম অসিবু থওইদবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়রি।

**তেংনৌপল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপলনা শিনদুনা বন্দে মাতরমনা চহি ১৫০ শুরকপগা মরী লৈননা পদ যাত্রা (য়ুনিটি মার্স) তেংনৌপল গভরমেন্ট হায়স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা জিলা অসিগী দিপ্যতি কম্মিস্নার-সৌরব য়াদবনা হায়-ঙসি মফম অসিদা মীয়ামনা পুল্লিবা অসি মরম অনিগীনি। মরম অমনা বন্দে মাতরমনা চহি ১৫০ শুরকপা অমসুং অনিশুবনা সরদার ভাল্লাভায় পতেলগী চহি ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগীনি। মহাকা হায়-থৌরম অনি অসি য়ামা মরুওইবতা নত্তনা য়ামনসু মরী লৈনৈ। মরম অদুনা মহৈরোইশিংনা নীংতম্বা, অমত্তা ওইবা অমসুং চাউখৎপা হায়বা ৱাফমসিদা মীৎয়েং চংগদবনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা সেলেপ প্রাইমারি স্কুল, এনলাইটন ইংলিস স্কুল এন্দ কিন্দর গারটেন অমসুং তেংনৌপল গভরমেন্ট হায়স্কুলগী মহৈরোইশিংনা কালা সংস্কৃত্তিগী ওইবা থৌরমশিং উৎখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** দিপোজিটর এদুকেসন এন্দ এৱারনেস ফন্দ হায়বসিগী মতাংদা জিলা থাক্কী মীয়ামবু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল জিলাদা পাঙথোকখ্রে।' নঙগী শেল, নঙগী হক' হায়বা হিরমদা লৈবাক শিনবা থুংবদা

পাঙথোক্লিবা কেম্প অসি দিসেম্বর ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

অসিগুম্বা কেম্প অসি দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্তরগী মীৎয়েং মখাদা অমসুং ষ্টেট লেবেল বেঙ্করস কমিতিগী লুচিং মখাদা পাঙথোকপনি। ষ্টেট লেবেল বেঙ্করস কমিতিগী মতুং ইন্না অখন্নবা কেম্প অমা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই পার্ট টু মখা লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**ফেরজোল (এল)ঃ** সেক্সচুয়েল হরাজমেন্ট ওফ ৱিমেন্স এট ৱার্কপ্লেস (প্রিভেন্সন, প্রোহিভিসন অমসুং রিদ্রেসেল) এক্ট-২০১৩ গী মতাংদা নোংমগী ওইবা ওরিয়েন্টেসন অমসুং কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা ফেরজোল জিলাগী দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলগা পুন্না শিনবনি।

থৌরমদুদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-শ্রীমতি থুমলিপ তিনিংফম মোনশাং, জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রীমতি মানুৱামসিংনচিংবা শরুক য়াখি।

**চুরাচান্দপুর (এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাদা মাইক্রো স্মোল অমসুং মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেসতা হেন্না শক্তি পীনবা পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রিজ সেন্টর-চুরাচান্দপুরনা উদ্যয়ম রেজিষ্ট্রেসন দ্রাইব পাঙথোকখ্রে।

কংবাই ব্লোক্কী খৌশাবুং অমসুং বুংলোন খুলদা পাঙথোকপা থৌরম অদু রাইজিং এন্দ এসিরেলেটিং এম.এস.এম.ইগী মখাদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ইন্টরপ্রাইজেস ৮৬ রেজিস্তার তৌখি।

**বজেটঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা সভাপতি ওইদুনা প্রি-বজেট কন্সলটেসনগী অহুমশুবা মীফম ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। ইং ২০২৬-২৭ কী কেন্দ্রগী বজেট শেম শারিবা অসিগা মরী লৈননা মহাকা

এম.এস.এম.ইগী লমদা লৈরিবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা মীফম অসি পাঙথোকপনি।

মীফম অদুদা কেন্দ্রগী শেল থম্ রাজ্য মন্ত্রি-পঙ্কজ চৌধুরি, দিপার্টমেন্ট ওফ ইকোনোমিক এফিয়ার্সকী সেক্রেটরিনচিংবা শরুক য়াখি। সংসদকী নীংথম মীফম মথং থাগী অমদগী হৌগনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু অমসুং দুমা বোকো বোটসৱানাগী রাস্ত্রপতি-গাবোরোনগা ঙসি উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী লমদম-লমদমগী ওইবা অমসুং মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে।

ৱারী শান্নবা অদুদা প্রোজেক্ট চিতা পায়খৎনবগী মতাংদসু য়ান্নখি। খোঙথাং অসি ভারত্তা চহি কয়াগী মতুংদা অমুক হন্না চিতা উবা ফংননবগী অচৌবা মংলান ওইরিবা প্রোজেক্ট অমনি। প্রোজেক্ট অসিগীদমক বোটসৱানানা ভারত্তা চিতা ৮ পীরগনি হায়রি। চিতাশিং অদু হয়েং হৌনবী মতুং ইন্না রাস্ত্রপতি-দ্রৌপতি মুরমুগী খুৎথাংদা শিন্নগনি। শ্রীমতি মুরমু ঙরাং এঙ্গোলাগী খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা বোটসৱানাগী কেপিটেল সিটিদা থুংখিবনি।

**জিরিবাম ঃ** খেল্লো ইন্দিয়াগী মনুং চন্না স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা টোইন্তি বটালিয়ন সি.আর.পি.এফনা শিনদুনা জিরিবাম জিলাগী বোড়োবেক্রা সব দিভিজনদা লৈবা নেতাজি হায়স্কুলদা ঙসিদগী ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অমা হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ২০ শরুক য়ারি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা থাংবোই পুনজি ভোল্লিবোল টিমনা ধোলাখাল ভোল্লিবোল টিমবু ষ্ট্রেট সেটদা-২৫-১৫, ২৫-১০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** ৩ সুবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ.সিনা আসুফি এফ.এবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-অনৌবা ইমাগী মঙালনা ক্ষেত্রি ইরিলমপাল য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা অনিসুবা দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা-এম.ৱাই.সি. ৱাইখোং অমসুং সেসু-ককচিং পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-এস.এস.সি. লাংমৈদোংনা পি.ৱাই.সি-কৈরকপু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।